WAYEL KATI

Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 288 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, শজিবুগী ২৪ নি পানবা, থাংজ, এপ্রিল ১১,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–


## মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিংগী অৱাৎ–অপাগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীনবা থোংজু কেন্দ্র রিলিফ কেম্পকী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দদা মেমোরেন্দম পীদুনা ৱাকৎখ্রে। মেমোরেন্দম অদুগী মতুং ইন্না, আই দি পিশিংগী থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবা, নুপা অমসুং নুপীগী টোইলেট তোঙান্না থম্বা, সোলর ষ্ট্রিট লেম্প লৈহনবা, ইলেক্ট্রিকেল ৱয়ারিং রিপ্যারিং তৌবীবা অমসুং মহৈরোইশিংদা শেলগী তেংবাং ফংহনবীনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়রি।

## প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবীদা মরাল লৈজদবা অঙাং অনী হাৎখিবগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অসাম দাউন টাউন য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংনা কেন্দল লাইট প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা মখূৎতা কেন্দল পায়রগা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবা শরুক য়াখি। প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা অসাম দাউন টাউন য়ুনিভর্সিটি মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম লানঙম মৈতৈনা হায়খি, মীচমদা এটেক চথবগী থৌওং অদু য়ানিংদে। লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবা ঙমদ্রবদি কনানা ঙাকপীগদৌরিবনো হায়না হংখি।

# আই আর বি থম্বদি অরাইবনি, থাজনবা পুরকপদুনি মথৌ তারিবদিঃ ৱাই খেমচান্দ

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মহারাজ নরসিংহ লৈখিদবগী ১৭৬শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শীন্দুনা কংলাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট, আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর কে ঐচ লোকেননা প্রসিদেন্ট অমসুং মহারাজ নরসিংহ মেমোরিয়েল কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে ধিরেননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, ঙসিগী মণিপুর অসি শেম্লকপদা মহারাজ নরসিংহনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। লমদম অসিদা থোকখিবা চহী ৭ খুন্তাকপা মতুংদা মহাক্না কছারদা চৎতুনা বৃটিশকা য়াম্না দিপ্লোমেটিক ওইবা মওংদা তিন্নদুনা মতেং লৌরগা লমদম অসিদগী অৱাশিং তাম্থোকখিবনি। অসিগুম্বা মশক নাইবা লুচিংবা অসিনা লৈখিদবগী কুমওন লাকপদা লমদম অসিদসু ঈরাং লৈতবা, তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।



থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লূচিংদুনা মহারাজ নরসিংহগী সমাধিনা লৈ কৎতুনা ইকাই খূম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, মোরে টাউনদা আই আর বি থম্বা হায়বসি অরাইবনি, মথৌ তারিবদি মৈতৈ অমদি কুকিগী মরক্তা থাজনবা পুরকপদুনি হায়না সিএম না ফোঙদোকখ্রে। অকাম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মোরেদগী নুপীমচা অমা এপ্রিল ৫দা চীংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদবা অদুগী মতাংদা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা চৎপদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। খোঙচৎ অদুদা আই দি পিশিংনা থেংনরিবা অৱাৎ অপা কয়াসু সি এমদা পাউদম্লকখি হায়রি।

## চীংখোংদা লৈরিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং ষ্টেট ফোর্সনা মহুৎ শিল্লগনিঃ গোবিন্দাস

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চীং অমদি তম্পাক্কী লোন্নবা মফমশিংদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং অসি চীংথক্তা হোঙ্গৎহনখ্রগা মখোয়গী লৈফম অদুদা ষ্টেট ফোর্সশিং লৈহন্নবা হোৎনরি। অদুবু ষ্টেট ফোর্সকী



মশিং য়াম্না ৱাৎপনা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

কংলাদা পাঙথোকপা মহারাজ নরসিংহ লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়, ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। থৌদোক অসি খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই। ষ্টেট অসিগী মফম খূদিংমক্তা মখল অমত্তগী হিংশা থোকহন্দনবা হোৎনগনি। ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক থিজিন–হুমজিনগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি। চীংনবা মফমশিংদা ওপরেসন চথুদুনা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি। ইনভেষ্টিগেসন চথুরিবা মরমনা হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা করি করম্বা খূদম চাংদম ফংলবগে হায়বগী অকুপ্পা ৱারোলদি ফোঙদোকখিরোই হায়খি।

### ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ৫গী হকচাং লৌদ্রি

# মীয়াম্না কেন্দল লাইটিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা লেপত্রি

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবীদা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং সি আর পি এফনা নোংমৈ কাপথোরকপদা মীওই ৩ লৈখিদবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেন্দল লাইটিং য়াওনা মখও মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

শিংজমৈ অপূনবা নুপী লূপনা শিল্লগা শিংজমৈ পার্কিং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী শিংজমৈ অপূনবা নুপী লূপকী পব্লিসিতি সেক্রেটরি সুমতি সৌগ্রাকপমনা হায়, কার্ফিয়ু থমজিন্দুনা অমদি ইন্টরনেট থিংলগা মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা ঙম্লোই। ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই খণা ফারে হায়রিবসি ওফিসিয়েল ওইনা রেকোর্দ লৈবা নত্তে। মী শিরগা চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপী অমদি সেনাপতিদা চৎতুনা পিছ প্রোসেস চথরি হায়না মীয়ামদা উৎ চাইবীগনু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ওল কোংবা রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ইম্ফাল– কোংবা থিংলগা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা ওর্গনাইজেসন অসিগী কো– কনভেনর সেরাম সুর্জিৎনা হায়, এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ত্রোংলাওবীদা লৈবা য়ূম অমদা বোম কাপশিন্দুনা পীল্লিবা অঙাং ২ হাৎলবা ফাওবদা সেন্টর অমদি ষ্টেটকী



লুচিংবশিংনা য়েংলগা লৈথোকপগী থৌওং য়ানিংদে। চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবদা ফারগা চৈরাক ফংহনগদবনি।

খোঙনাং ফৈদেকপী অপূনবা মৈরা পায়বী অমদি ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লবনসু ত্রোংলাওবী মীহাৎকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ক্লব অসিগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী অয়াং পল্লি রোদতা লৈবা য়ুঠ সোসিয়েল ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর, সঙাইপ্রৌ অপূনবা নুপী লূপ, নিংঙোম্বম অপূনবা লূপ, সাহিত্য থৌপাং লূপ (শাথৌ লূপ), এল এম এস লো কোলেজকী মহৈরোইশিং, ক্রিস্তু জয়েন্তি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিং, নহারুপ হুইরেম লৈকায় ৱিমেন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন অমদি অহল্লুপ বমদিয়র অৱাং লৈকায় য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসননচিংবা লূপ কয়ানসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

## হয়েংগী নোংদম

১২।০৪। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – অনৌবা থবক হৌবা য়াবা নুমিৎনি। ইমুং মনুং চহী লাংদনবা হোৎনৌ।

বৃষ –শেল থুমগী ফিভম ফগৎচরগনি। নুংঙাইবা পাউসু তাবা ফংগনি। মরুপ মপাং লোইনবা য়াগনি।

মিথুন– মীগা উন্নদুনা ৱারী–ৱাতাই শান্নবা, থবক্কী মরমদা ৱা খন্নবা মায় পাক্কনি।

কর্কট –থবক য়ামগদৌরি, কোক শাগনি। তৌগদবা অদুতং তৌ। চাবা তুমদবগী অনাবা লৈ।

সিংহ– থবক তৌবদা মীনা শকখঙবীবা, থাগৎপীবা লৈগনি। ৱাখল থাদরগা থবক তৌবা য়াগনি।

কন্যা– থবক তৌবদা পাঙ্গল থোক্তবা নুমিৎ ওইগনি। ৱারেপ লৌবা, থবক তৌবদা য়ান্না চেকশিঙ্গবা ফৈ।

তুলা– মরুপ মপাং শাগে–নাতৈগী মরী ফগৎচগনি। ময়াম পূন্না থবক তৌমিন্নবগী অফবসু নুমিৎসু ওই।

বৃশ্চিক– থাজদবা মওংদা শীংনবা কয়ামরুম লাক্কদৌরি। ময়াম অদু লাকশিন্নবা হোৎনজৌ।

ধনু– লম–তু চৎপা নৎত্রগা লম–তু চৎননবগী থৌরাং তৌবা লৈগনি। থবক্কী মরমদা তমশিল্লু।

মকর– তুংলমচৎতা মায় পাক্লবা মীৎয়েং থল্লগা থবক তৌ। তৌগে নিংবা থবক মায় পাক্কনি।

কুম্ভ– অনৌবা থবক্কী খূদোংচাবা লাক্কনি। থেংনগদবা পোৎলূমশিং অদুগীদমক থৌরাং তৌ।

মীন – পূক্নিং নুংশিবা, ৱাখল নুংঙাইতবা পীরি। পোৎলুম হন্থহন্নবা হোৎনজৌ।

## অথৌবশিংগী খূভমদা মীয়ামনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বীয়ু

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১(ৱায়েল কাতি) ঃ** এপ্রিল ১৩দা মীয়াম্না অথৌবশিংগী খূভমদা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বীয়ু হায়না লোনা থিংখ্রবা রিভোলুস্নরি পিপসল ফ্রন্ট( আর পি এফ)কী দেপ্যুতি সেক্রেটরি পব্লিসিতি রোবেন খুমননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইমা লৈবাক মণিপুরবু ইন্দিয়াদগী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসিদা থৌনা ফবা অথৌবা কয়াগী ঈখেংনা য়েক্তুনা থল্লম্লবা অথৌবশিংগী নুমিৎ এপ্রিল ১৩না লাকপদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এনা কোক নোন্না ইকাই খূম্নবা উৎলি। য়েক্লবগী তমথিরবা মীওৎ মীনৈদা মপুরোই, মচা কায়নবগী অৱা–মৈশা লাংহৌরবী ইমা ইবেল, ইচে–ইচলশিং অমদি পূন্সি চূপ্পা শোয়নাইদুনা অৱা চৈথেং খাঙলিবা ইরৈচা খূদিংমক্কী মফমদসু ইকাই খূম্নবা উৎলি।

মণিপুরগী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মীয়ামগী নিংতম লান্মী পি এল এগী অথৌবশিংগী মিংলেনদি মতম চূপ্পগী ওইনা মুৎনাইদ্রবা অরংবা থৱান্মিচাক্কুম ঙান্দুনা লৈহৌরগনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৮২গী এপ্রিল ১৩দা থোকখিবা কোদোমপোকপীগী লানফমনা ইরমদম মণিপুরগী নিংতম লান অসিগী মায়কৈ তাক্লি অমসুং মতম পূম্বদা লানফম অসিবু তুংগী মীরোলনা ৱারীনদুনা লৈহৌরগনি হায়রি।

## লৈখিদ্রবা অঙাংগী ফোটো থাগৎপা য়ারোই

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংগী ফোটো অমদি মখোয়বু শক তাকপা য়াবা ঈ–পাউ সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎতনবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ফোর চাইল্ড রাইটসনা খঙহল্লক্লি। কম্মিসনগী চেয়রপার্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়া অমদি দিজিটেল মেদিয়া খরদা ফোটো অমসুং পাউ থাগৎলকপগা মরী লৈননা 'সুও মোটু কোগনিজেন্স' লৌরে। শিংজমৈ থোংখোংদগী শিখিবা ফংখিবা আই দি পি নুপী ১গী মতুংদসু সোসিয়েল মেদিয়াদা পাউ অমদি ফোটো থাগৎপা থেংনরে হায়রি।

## বিএসএফকী জৱান শিখিবগী মতাংদা কুকি, নাগা মরাল শীনরি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১(ৱায়েল কাতি) ঃ** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা বি এস এফকী জৱান অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবগী মতাংদা কুকি অমসুং নাগা ফুরুপকী মরক্তা অমনা অমদা মরাল শীনরি।

মোংকোট চেপু এরিয়াদা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা মায়কৈ খঙদনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূ অমনা পানবদগী লৈখিদ্রবা জৱান অদু বি এস এফকী ১৭০শুবা বাট্টালিয়নগীনি। মহাক ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী মীথুন মন্দল কৌই। থৌদোক অদুগী মতাংদা কুকি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ৱার্কিং কম্মিটি উখ্রুলনা তাঙ্খুল নাগাশিংদা মরাল শীরকখি। অমরোমদা তাঙ্খুল নাগালোং ৱার্কিং কম্মিটি অমদি খাননুইথোদ খোননা কুকি সি এস ও ৱার্কিং কম্মিটিগী ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মোংকোট চেপু রোমদগী তাঙ্খুল নাগাশিংনা খুন্দারিবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী সর্কাফুং ভিল্লেজতা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা বি এস এফকী জৱান অদু শিখিবনি হায়রি। তাঙ্খুল নাগা ভিল্লেজ ভলন্টিয়রশিংনা ঙসি ফাওবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিসি ফোর্সকী পার্সনেলশিংদা খূৎ থাবা লৈত্রি। লিতান অমদি মসিগী অকোয়বদা কাঙলূপকী ঈরাং থোরকখ্রবা মতুংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মখল মখা কয়াগী এটেক চথুদুনা লাক্লি।

## য়াশিন্নখিবা লৈতে ঃ জে এ সি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১(ৱায়েল কাতি) ঃ** ত্রোংলাওবী থৌদোক্তা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিনা লৈঙাক্তগী শেল লৌখিবা নৎত্রগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা য়াশিন্নখিবা লৈতে হায়না জে এ সি ত্রোংলাওবী ইন্সিদেন্টকী কো–কনভেনর সিনাম অজিৎকুমারনা ফোঙদোরক্লি। ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা অঙাং অনী তমথিনা হাৎখিবা অমদি মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কা য়াশিন্না লৈতে।

## লৈখিদ্রবী আই দি পি নুপীমচাগী ইমুংদা লৈঙাক্না এক্স গ্রেসিয়া পীখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১(ৱায়েল কাতি) ঃ** শিংজমৈ থোংখোংদগী শিনা ফংখিবী আই দি পি নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংদা চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা লুপা লাক্ষ ১০ এক্স গ্রেসিয়া পীখ্রে। অকাম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নদুনা এক্স গ্রেসিয়া পীখিবা অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিসি ডাঃ নেভিদিতা লাইরেনলাকপমসু লোইখি। চীফ মিনিষ্টরনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি হায়না থাজবা পীরমখি।

# আর্টেমিস–২ অশোয় অঙাম য়াওদনা পেসিফিক ওসিনদা থুংলরে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১(ৱায়েল কাতি) ঃ** থা লৈবাক্কী মরমদা থিজিনবা চৎলুবা আর্টেমিস–২গী ক্রুশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা ঙসি পেসিফিক ওসিনদা থুংলরে। নুমিৎ ১০নিগী খোঙচৎ লোইরদুনা এষ্ট্রোনোথ ৪ মালেমদা হল্লকখিবনি।

১০নি শুবা নুমিৎতা ওরিয়ন কেপসুলনা পুংদা কিমি ৪০,০০০গী চাংদা য়াংনা পাইথরকখি। কেপসুলগী মপান্দা ওইখিবা টেম্পরেচরগী চাং সেলসিয়র্স দিগ্রি ২,৭৬০ নি। নুমিৎকী মৈশাদগী তঙ্খায় অমরোম হন্থনা শাবগী চাং ওইখি। মিনিট খরগী ওইনা এষ্ট্রোনোথশিং অদু গ্রাউন্দ কন্ত্রোলগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মিসন কন্ত্রোলদা লৈরিবা মীওইশিং মীপাইবা পোক্লখি। মতম খরা লৈরগা মিসন কম্মান্দর রিদ ৱিশমেননা পাউ ফাওরকপদগী হাউষ্টনদা লৈবা মিসন কন্ত্রোলগী মীওইশিং চানিং তানা নিংশা শ্বর হোন্দোকপা ঙমখি।

কুমজা ২০২২ দা থাগৎখিবা মী য়াওদবা



আর্টেমিস ৱানগী খোঙচৎতা টেম্পরেচরগী চাং কা হেন্না ৱাংবা মরমনা খূদোংচাবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। হন্দক্কী ওইনদি নাসানা শেমদোক শাদোল্লগা এষ্ট্রোনোথশিং মালেমগী লৈমায়দা হল্লকপদা খুদোংথিবা মায়োক্লন্দনবা থৌরাং লৌখি। এষ্ট্রোনোথশিংনা পেরাচ্যুটকী মতেং লৌরগা মালেমদা থুংলবা মতমদা মিসন কন্ত্রোলগী মীওই পুম্নমক খুবাক খুদুনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি। আর্টেমিস–২ মিসনদা য়াওখিবা এষ্ট্রোনোথশিংদি খৃষ্টিনা কোচ, ভিক্টর গ্লোভর, জেরিমি হেনসেন অমসুং রিদ ৱিশমেননি।

হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা মালেমগী লৈমায়দগী স্পেসতা খ্বাইদগী লাপ্পা চৎতুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্লে। চাওরাক্লা কিমি ৪,০৬,৭৭১ লাপ্পা স্পেসতা চৎপা ঙমখি। এপোলো ১৩গী মিসনদগী হন্দক্লা কিমি ৬,৪০০ লাপ্পা চৎপা ঙম্লে। নাসাগী এদমিনিষ্ট্রেটর জেরেদ আইসাদমেননা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, থা লৈবাক্তা এষ্ট্রোনোথশিং থাবগী থৌরাং মথং মথং পায়খৎনবা শেম শাবা লোইরে। হন্দক্কী খোঙচৎ অদুদা লাইভস্পোর্ট নেভিগেসন অমদি ইমর্জেন্সি প্রোসিজরনচিংবা মরু ওইবা সিষ্টেম কয়ামরুম মায় পাক্লা চাংয়েং তৌবা ঙম্লে। মসিনা মরম ওইরগা মতুং তারকপা মিসনশিংদা চাওনা মতেং ওইনরগনি।

নাসানা মথংদা পায়খৎকদবা থৌরাংগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, অথুবা মতমদা আর্টেমিস–৩ থাগৎতুনা থা লৈবাক্তা থুংলুনবা থৌরাং তৌরে। কুমজা ২০২৮ ফাওবগী মনুংদা আর্টেমিস–৪ থাগৎলগা এষ্ট্রোনোথশিং থাগী সাউথ পোল মনাক্তা থুংহন্নবা পান্দম থল্লি।

নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা থা লৈবাক্কী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা নাসানা বিল্লিয়নরস জেফ বিজোস অমদি ইলোন মস্ককা খূৎশম্নরগা এষ্ট্রোনোথশিং থা লৈবাক্তা থানবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।


Raj Medicity

RAJ MEDICITY HOSPITAL

WELCOMES

DR (WG CDR) KARAM CHANDRAJIT

- MBBS, AFMC, PUNE (2002) – MUHS, NASHIK
- MS (OBSTETRICS & GYNAECOLOGY), CH(EC),
- WEST BENGAL UNIVERSITY OF HEALTH SCIENCES (2012)
- TRAINED IN CLINICAL ART, GURUGRAM UNIVERSITY

OPD TIMING : 10AM - 2PM
EVERYDAY (EXCEPT SUNDAY)

Experience:

- ASSOCIATE PROFESSOR - BHDC & ACMS , NEW DELHI
- CLINICAL EXPERIENCE: 22 YEARS
- TEACHING EXPERIENCE: 8 YEARS
- PERFORMING VARIOUS GYNECOLOGICAL PROCEDURES, INCLUDING ENDOSCOPIC SURGERIES, FOR THE PAST 12 YEARS
- ATTENDED ADVANCED LAPAROSCOPIC SURGERY COURSE AT PARAS HOSPITAL, GURGAON.
- REPRESENTED INDIA IN A HIGH-TECH SURGICAL SKILL TRAINING PROGRAMME WITH DOCTORS FROM THE REPUBLIC OF UZBEKISTAN IN TASHKENT (2022).
- PART OF INDIAN AIR FORCE MEDICAL TEAM IN MID-LEVEL OFFICER EXCHANGE/TRAINING PROGRAMME WITH THAILAND AIR FORCE DOCTORS (2006).

24X7 EMERGENCY AVAILABLE

Awards:

- CHIEF OF AIR STAFF COMMENDATION FOR EXCELLENT GYNECOLOGICAL SERVICE (2018)
- AIR OFFICER COMMANDING-IN-CHIEF AWARD FOR EXCELLENCE IN GYNECOLOGICAL SERVICE (2015)

PHONE: 8413864113

Email: contact@rajnpi.in

Address: North A.O.C., Kabo Leikai, Imphal – Manipur

RAJ MEDICITY

HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION

Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004

JAS-ANZ

An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital

RM/H-17-Adv/2026/03

POST VACANCY

Date: 10th April, 2026

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | Vacancy |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (POC) | 2 |
| 2. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (General Wards) | 8 |
| 3. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (ETU) | 3 |
| 4. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (OT Nurse) | 3 |
| 5. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (ICU) | 4 |
| 6. | OT Technician (Male) | Dip. or abv. OTT | Min. 1 Year | 2 |
| 7. | Hospital Assistant (Male) | Min. 10th passed | Fresher | 4 |
| 8. | Driver | Min. 10th passed with valid (Light Motor Vehicle-LMV) Driving Licence, Max. age limit is 35yrs | | 3 |

Interested candidate can submit their resume and all the relevant documents to the HR Department

Last date of form submission is 16th April, 2026 upto 4:00 p.m.

Only Shortlisted Candidate will be called for Personal Interview

Website: www.rajmedicity.com

North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.

# এদিটোৰিয়েল

ইম্ফাল, শজিবুগী ২৪ নি পানবা, থাংজ, এপ্রিল ১১,২০২৬ ইং

## চীফ মিনিষ্টৰগী সেনাপতি খোঙচৎ

### মখা তাবা থৌদোক ৱাথোক থোকহন্দনবা হোৎনবা চূমগনি

মণিপুরদগী প্ৰসিদেন্ট রুল লৌথোকখ্ৰবা তুংদা য়ুন্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা মীয়ামগী গভর্নমেন্ট লিংলকখি। মতমদুদা মহাক্কী লৈঙাক্তা পূবদা ৱারগদবা পোৎলূম কয়ামরুম ফোঙগৎলক্মী। পোৎলূম ময়াম অদুগী মনুংদা খরদি মহাক্কী লুচিংবা লৈঙাক্না থাংদবা ঙমগনি হায়বসি বি জে পিগী সেনিয়র লিদরশিংনা মুন্না খল্লবা তুংদা মহাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা হাপ্লকখিবনি। মহাক্কী লৈঙাক অসি থা অনিগা নুমিৎ ৭ নি শুরে। পোৎলূম অমগী মথংদা পোৎলূম অমা অমুক থাঙ্গৎলকপদৌনা উরি। হান্নদি কুকিগা নাগাগগী মরক্তা খূৎ থানবগী থৌদোক থোক্লমদে, অদুবু হৌজিক্তি উখুল অমসুং কামজোং দিষ্ট্ৰিক্টতা তাঙ্খুলগা কুকিগা উন্নবা য়ান্নরক্রে। উন্নবা মফমদা নোংমৈ- বোম কাপ্নরে। অসুন্না মখোয় অনীগী নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদুদা কাঙজেন্নদুনা বি এস এফকী পার্সনেল অমসু শিরে। ৱাথোক অসি তরাইনা হেক্তা লোইশিনবা য়াদবগী ফিভম অমা লাক্লে। মরক অসিদা কুকি- জোগা মৈতৈশিংগা মুক্নরম্বা অদুসু খরা খজিক হন্দোক্লবদৌনা তৌরুরে। জিরিবামদা ঈরাং লৈহন্দবা ঙমখ্ৰবা তুংদা চীফ মিনিষ্টরগী থৌরাং অসি নেস্নেল হায়ৱে-টু মপুং ফানা হাংদোক্তুনা মৈতৈশিং অকি-তুজুংবা য়াওদনা চৎপা য়াননবা থৌরাং লৌখৎলক্লি। থৌরাং অসিগী মখাদা চীফ মিনিষ্টর ঙরাং ইম্ফালদগী নেস্নেল হায়ৱে-টুদা কাংপোকপী ফাওরগা সেনাপতি দিষ্ট্ৰিক্ট হেদ ক্বার্টরসদা চৎখি। মহাক্কী খোঙচৎ মাঙওইননা কোতুনা নেস্নেল হায়ৱে থিংজিনগনি হায়না তৌরম্বদুসু লৌথোকখি। অয়েৎ-অপন অমত্তা য়াওদনা মহাক সেনাপতি দিষ্ট্ৰিক্ট হেদ ক্বার্টর য়ৌবগা লোয়ননা নাগাশিংনা মহাকপু হরাও তয়ান্না ওকখি। থৌরম লোইরগা অমুক হল্লকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্ৰিক্টকী হেনবুংদা লৈবা সাইতু এসিগী এম এল এ হাওখোলেট কিপগেনগী য়ূমদা চঙদুনা ইমুং মনুংগী অৱা-নুংঙাইগী ৱারী শান্নখি। ইমুং অদুনা মহাকপু য়ান্না তরাম তরান্না তৌরকখি। হৌজিক্তি মীয়ামগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবা অদু তপ্না তপ্না হঞ্জিন্নবা হৌরক্লগনি। চীফ মিনিষ্টরগী মথংগী খোঙচৎ উখুল নৎত্ৰগা ফেরজোল দিষ্ট্ৰিক্ট চৎলবা য়াই। হৌজিক্তি কুকি- জোশিংগী মরক্তসু মণিপুর থুগায়রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা শেম্বগী ৱাখল্লোন অসি ওইররোই হায়না খল্লকপা কাঙবু অমসু য়াওরে। অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা মায় পাক্ত্ৰিবা ফাওবা ঈরাং তৌহনখিগনি হায়না খনবা কাঙবু অমসু য়াওরি। কুকি- জো কাউন্সিলদা য়াওদবা কাঙবু অমসু লৈরে। শমনা হায়রবদা মৈতৈগা খৎনবা পামদবা, পূন্না লৈমিন্নবা পাম্বা ময়াম অমা থোরক্লে। মখোয়না চীফ মিনিষ্টরবু শোয়দনা লাক্লনবা কৌরমগনি। অসুন্না কাঙলূপকী ঈরাং অসি তপ্না তপ্না মমি শাম্বা য়াবগী ফিভম লৈরবনি।

শাবা লোইদ্ৰিবা য়ূম, চনবদা ঙাইরিবা চেক্কী ফক্লাং খূদক্কী ওইনা মপাঙ্গল লৈবা হৌনদে। মপাঙ্গল লৈহনগে হায়বা তারগদি মপুং ফানা য়ূম শাবা লোইহনবা অমসুং চেকপল অদু ঈশিং চাইদুনা নুমিৎ খরদি তঙাইফদনা থমদবা য়াদে। মতৌ অসুন্না হৌজিক কাঙলূপকী ঈরাং থোক্তুনা মীশি-মীনা ময়াম অমা য়াওনরকখ্ৰবা, য়ূম মৈ থানবা, চঙথোক চঙশিন য়ান্নদবগী শাথিরবা ঈরাং অদু তিনফা কাকফৈ পকপদৌনা হেক্তা লৌথোকপা য়ারোই, মতম খরা অদুম চঙগনি। মসিমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মপুং ফানা ঈরাং লাকশিনবদা চহী ১০ রোম চঙগনি হায়রল্লিবনি। য়ান্না ৱানা কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা ঈ-পাউ ফাওনদুনা চৎথোক চৎশিন য়ানবা হোৎনরকপা ঐখোয় মশেল পুনশিন্নরকপা হায়বসি অরাইবা থবক অমা নত্তে। মরম অদুনা অনৌবা লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মীয়ামনা শকখঙবীবা চুম্মী অমসুং খোঙথাং অসি মায় পাক্লনবা মতেং পাংশিনবা চঙই। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ত্ৰোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা শকখঙদবা, কুকি টেরোরিষ্ট ওইগনি চিংনবা খরনা তূপ্লিঙৈদা অঙাং অনী বোম কাপশিন্দুনা পোকখায়হল্লগা হাৎপগী থৌদোক অমা থোকখ্ৰে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগাগী তম্পাক লমদা মহৌশাগী পুন্সিরোলদা চাওনা অকায়বা থোক্লি। চহী য়ান্না নৌরিবা মচিন- মৌপ্পাবু হাৎখিবা থৌদোক অদুদা মৈতৈশিংবু শাওহল্লে, নুংঙাইহন্দ্ৰে। সেন্ত্ৰেল ফোর্স ময়াম অমা লৈনা লৈনা তূন্না হিপ্নরিবা য়ূমদা বোম কাপশিল্লবনিনা নখোয় লৈবগী কান্নবা লৈত্ৰে হায়দুনা ঈরাং হৌরকখি। ঈরাং অদু নমথননবনি হায়দুনা সি আর পি এফনা নোংমৈ কাপ্তুনা মীচম ৩ হাৎতোকপীখ্ৰে। অদুগা মীচম কয়া অমনা শোক্তুনা লায়কন্নরি। তশেংনমক্কীদি লৈঙাকনা অকনবা চেকশিন থৌরাং মাঙজৌননা লৌখৎলল্লবদি নহা ৩ অদু শিরল্লোইদবনি। মখোয় শিবগী মরমসু অঙাং ২ হাৎখিবদুনি। লৈঙাক্না মীয়ামগী পুন্সি লন-থুম ঙাকপা ঙমদবদগী ইচম চুম্বা মওংদা ঈহৌ হৌরকখিবনি। মরম অদুনা মখোয়গী পূক্লিংগী ঈহুল অদু লৈঙাক্না শকখঙবীবা চুম্মী। মসিগীসু মথক্তা উখুল অমসুং কামজোং দিষ্ট্ৰিক্টতা কুকি অমদি তাঙ্খুলগী মরক্তা ঈ নাই তান্নবগী থৌদোক থোরক্লিবসি য়ান্না থুনা লাকশিনহৌগদবনি। হেক ঙম্বা পাম্বে শীজিন্নরগা কাঙলূপ অনীগী লুচিংবশিং উন্নহনগদবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা থোকখিবা কাঙলূপকী ঈরাং অদু হৌজিক খজিক খজিক ইংথরক্লবা মতম অসিদা অঙাং অনী অমুক হাৎলকপা কুকিগা তাঙ্খুলগা অমুক কাপ্নরকপনচিংবা পামদবা থৌদোকশিং মথং মথং অমুক থোরক্লগদি নহানমখৈ মতম চঙনা ঈং তপ্পা ফিভম পুরক্ননবা হোৎনবা ময়াম অদু উৎতা ঘী হৈবা ওইনা থোক্কনি। অমুক মকোক্তগী হৌবগী ফিভম লাক্কনি। মরম অদুনা অনৌবা থৌদোক ৱাথোক অমত্তা থোকহন্দনবা লৈঙাক্না মীৎশিং-নাশিংনা লৈবগী তঙাইফদে। কাঙলূপ মশেল লান্না লৌনগদবা থবক অমত্তা তৌরোইদবনি। অঙাং অনী হাৎখিবদা চেন্নবা মীওইশিং অদু থুনা য়াংনা পুথোক্তুনা অচূম্বা ৱায়েং ফংহনগদবনি হায়জনিংই।

# WAYEL SUDOKU

*Puzzle 258*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | | | | | |
| | | | | 1 | | | 4 | |
| 5 | | | | 7 | | 6 | | |
| | 1 | | | | | 9 | | |
| | | | | | | 8 | | 3 |
| | 4 | | | 2 | | | | 5 |
| | | | | | | | 7 | |
| | | | 8 | | 3 | | | |
| | | | 5 | | | | | |

# লাইনিংথৌ থাংচিং কোয়লেল্লাই

## ডাঃ মঙাংচা থৌদাম লাইব

১) ৱাহৌদোকঃ

থাংচীং চীং অসি সমুদ্ৰ ইমায়দগী মিটর ২,১০৯ রোম ৱাংই। মসি বেরাইল চীংশাং (ওলিগোসিনদগী মাইওনসি হায়বদি চহী মিল্লিয়ন ৩৫দগী মিল্লিয়ন ৫০ ফাওবা) অমসুং দিসাং চীংশাং (তরসিয়ারি মতমগী প্লাইতোসিনদগী ইওসিন হায়বদি ১.৮ মিল্লিয়নদগী ৫৮ মিল্লিয়ন ফাওবা) অনীগী তাইনফমদা থাংজিং চীংশাং অসি শন্দোক্তুনা লৈ। অদুবু মোইরাং ময়াগী শুগুনু (সমুদ্ৰ ঈমাইগী মিটর ৭৪৬ ৱাংবা) নচিংবদা শুনু নুঙ ফংবা মরমনা উখুল অমসুং চান্দেলগী দিসাং চীংশাংগা হেন্না নক্লবা মরী লৈন। শুনু নুঙ ফংবা মফমশিংদা লৈকুৎ- লৈরাই লৈখুনচিংবা (শুরুং) লৈগল্লি) লোয়ননা মফমশিং অসিদা নুঙগী মতমগী মীশিংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্বগী খুদম ফংই। লোয়ননা শেন্দ্ৰা, থাঙ্গ, করাংনচিংবা চীংদুম মচাশিংদা ফংলিবা সেলনচিংবগী রোকশিং অসি য়েংলুরগা থাংচিং চীংশাং অসি বেরাইল চীংশাংগসু মরী লৈনৈ তাকই। থাংচিং চীংদা ট্ৰোপিকেল সেমি-ইভর গ্ৰিন ফোরেষ্টকী উমং-ৱামং, নাপী শিংবীশিং মরাং কায়না ফংই। থাংচিং চীংখোংদা লৈরিবা মোইরাংগী কৈবুল লমজাও অসিদা ফংলিবা শঙাই অসি ষ্টেট এনিমেল ওইনা মালেমদা মমিং চৎলি। লোয়ননা অতৈ শা-ঙা কয়া হায়বদি শজি, শওম, খরশা, কৈনচিংবা কয়া ফংবগী ৱা লৈ অমসুং য়ুহোং তোয়বা উচেক ৱায়া কয়া ফংবগা লোয়ননা ঙা মখল কয়াসু লোক্তাক পাৎনচিংবদা ফংই।

২) থাংচিং চীঙ্গোইরোলঃ

লাইনিংথৌ থাংচিং কোয়লেলাই মহাক্তি কেগে কাসালেল, মোইরাং লাংবুম অরিবা, নুঙমু তুমদবা খোঙনেৎনবা, নুঙবী শিদবা খুদানবা, কেগে শন্থোং মোলিপ, শন্থোং মপু নিংথৌবা, শানম কানবা মহালাপা, চাউবসু কোয়লেল, শাংবসু কোয়লেল, ৱাংপসু কোয়লেল, কোয়লেল অহুম্মক্তা ফম্ফল্লকপা লাইনিংথৌনি। লাইনিংথৌ মহাক্তি ফেনচী নোংহুম লম, মালং মথোঙচীল, খমকোন মরাক চীনবু তান্ন খনবা, খুয়োল ফক তোমফম্বা, থাঙ্গা তোলপল নিংথৌ, কেগে লৈশাবুঙ মোইরাং কাসালেল, নামুংবা, য়াইবা পল্লোয় তানবা, খারম মোনথৈঙম্বা, চীংলেন নাপোম অতোঙবদা ফম্ফম্বা লাইনিংথৌনি। লাইনিংথৌ মাদি লোইদাম শজিবু থাদা কোরৌ নোংমাইচীং নুমিৎকী ৱাংলেন পুঙগোয় মতম ফবদা মশানৌ ইবেম্মা কোয়লেল লৈমগা মপারী ইবুংঙো তম্পাক নিংথৌবগা কাংগ্ৰু লৈহৌ পোকপীদগী ঙাংখা খুনয়াই খায়ন মদোম খুনফাওরকপা কেগে খুন্থোঙ লেপ্ন মোইরাং খুন্দা হাল্লকপা, ঈমু ঈঙৌ পানফবা, লোক্তাক ইশা মাপল ফাংবনা চেংলৌ শকয়েং মিয়েংশেল ওইনরিবা লাইনিংথৌ ও হায়না শৈথানরিবা লাইনিংথৌনি।

চীংঙু খোইয়ুম নোংদম্বা মপু মানা তাইবঙ কুম্মৈ শান্নরগে হায়না পায়ম-নুংদা নীংখিদুনা চীংঙু খোইয়ুম কোনচিল তুকথপা পাখংবগী লাইওল লায়চৎ ওইরিবা লাইনিংথৌ থাংচিং কোয়লেল্লাই মাবু অৱাঙবা কোলৌ লাই লৈপাক্তগী মালেম লৈমায়থক্তা খুনকুম হল্লক্লে। মালেমগী করম্বা য়াইফ-নুংঙাইগদবা মফমদা লাইনিংথৌ মাগী মশাইকোন ওইরসিগে হায়না চেংলৌ মায়থোঙ কোয়না লৈনা য়েংলবা মতুং থাংচীং চীংগী চীংদোলদা অহানবা ওইনা খুন্দারে। লাইনিংথৌ মাবু ১) পোওতে, ২) পোলাং, ৩) ঈপুনলেন, ৪) ঈতাইলেন, ৫) ঈকাংলেন, ৬) নুঙচোংপা, ৭) নুঙকাপা, ৮) নুঙকাচেং, ৯) লাইকাচেং, ১০) ৱানতৌপা, ১১) ৱানঙৌপা, ১২) ৱানমুপা, ১৩) চালি শেনপা, ১৪) মকুকুলোল, ১৫) শালুং লাইতাং, ১৬)লাংচেনশেন অমসুং ১৭) লৈনাই কৌবা লাই অথৌবা লাইপুংথৌ তলা-তলেৎন থৌগল্লে। ঙৌপা কৌবা শলোয় লুচিংবা মানা লুচিংদুনা শলোয় হুম্ফুমা থোইমক্লা লাইনিংথৌ মাগী তুংইল্লে।

অসুন্না চহী কুমচা কয়া থাংচীংগী চীংগী চীংদোন্দা খুন্দা- লৈতা, খুনপাল- লৈপান্দুনা লৈরক্লবদা নোংমগী কোরৌ নুমিৎ অমদদি লাইনিংথৌ মানা কেগে মোইরাং পুঙগী খুনয়ায়দা লাইনিংথৌ মাগী মশাইকোন অমগা থল্লগে হায়না পায়মা নুংদা নিংখিবদগী লোইদাম শজীবু থাগী কোরৌ নোংমাইচিং নুমিৎ অমদা পাম্বা কৈরেল অঙৌবা কৈয়াঙথক্তা তোংলদুনা চুঙ-পে খান্না, লৈশং- লৈঙৌ খাউৱোন্নপা মশানৌ ইবেম্মা কোয়লেল লৈমা ইলীক কোংপাল নিংথৌ চনু, তুলেল লাইচা ঈৱাই খম্বী, খোঙচৎ লৈমায় হনপী, ঙাংখা লম্মিৎ চুমপী, অয়াঙ লমকা হে লৈকপী, কাংকলু লৈহাউপোকপীদা থাংমৈ মাপল থানবী, ফানতলা মৈমাং ফমপী, লমলোই তানপীগা মপালী ইপুংঙো তম্পাক নংথৌপগা ঙাইলোয়ননা ঙাংখা খুনয়ায় খায়ন খুনকুম্লকখি। অসুন্নসু লাইনিংথৌ মানা কেগে খুন্থোঙ লেপখি। মোইলাং খুনপা লৈপানখি। মরম অসি লৈবগীবু লাইনিংথৌ থাংচিং মাবু কেগে খুন্দা হাল্লকপা, মোইরাং য়ুমলেপ লিংলকপা ঈপু-ঈঙৌ পানফবা, লোক্তাক ঈশা মাপল ফাংবনা চেংলৌ শকয়েং মিয়েংশেল ওইনরিবা লাইনিংথৌ -ও হায়না কোলোয়নবনি।

থাংচীং চীংগী চীংদোনদা লাইনিংথৌ থাংচীং কোয়লেল্লাইগী খুবম লৈ। অদুবু ইবুধৌ খুইয়োই- তোমপোক মঙাং নিংথৌনা (খৃঃ ১৫৮- ২৬৪) মীয়ামগী খুদোংচান্নবা লাইনিংথৌ থাংচিংবু চীংদগী পুথদুনা থেনদা খুবম য়াজদুনা হরাওবা হৌখি হায়বা অতোপ্পা ৱারী অমসু লৈরি। অদুগা ইনিংথৌ লোইতোংবা মঙাংনিংথৌ (খৃঃ ১১২২- ১১৫০) গী মতমদা মোইরাং নিংথৌনা (খৃঃ ১১২৭) থাংচিং লাই লাই হরাওবদা তাল্লক্তবগীদমক্তা ইনিংথৌ লোইতোংবনা শাওদুনা মোইরাংগী নিংথৌ উরাকোংয়াংবা অমসুং মনাও ইবুংঙো চীংখুবা মথংখনবগী মথক্তা হৌনা লোনচৎ খঙদবগী অমদি খম্বা থোইবীদা ৱায়েন চুমদবগী চৈরাক পীনবা লান্দাখি। মতম অসিদা শলাং অমাইবা কৌবা কপুই অমগা মোইরাং নিংথৌগা অফবা মরী লৈনৈ। শলাং মাইবা অসি থাংচিং চীংশাংদা লৈবা হাও মীতৈগী মরু ওইবা নুংশি চান্নবা পুরক্লম্বা মীওই অমসুনি। মরম অদুনা মোইরাং থাংচিং অমসুং মায়কৈ ঙাকপা লাইশিং অসি সলাই ৭ কী য়ান্না মরু ওইবা লাইশিংনি। চীঙ্গোইরোল, চীংলোন লাইহুই, নুঙলোল নচিংবা অরিবা লাইরিকশিংগী মতুং ইন্না মোইরাং থাংচীং কোয়লেললাইগী মরমদা শুগাইনা তাক্লি। চীঙ্গোইরোল অমসুং চীংলোন লাইহুইগী মতুং ইন্না 'হৌজিক্তি থাংচিংগী খঙনবা হায়গে। থাংচিংগী চীংদোন্দা থাংচিং কোয়লেল নিংথৌগী খুবম লৈবনে। শঙ্গাই ইম্ফম লৈবনে। মনাক্তা লাইফম লৈবনে। মনাক্তা লাইফম লৈবদো শঙ্গুলৈ পোকপী কৌএ। নুঙ অহুম থারিবনে। নুঙ অমদি থাংচিংগী য়াই নল্লিবনে। নুঙ অমদি চোইনৌগী (সনাগী) কাংচুপ অমা চোইনৌ থাঙ অমা, চোইনৌগী চৈশু অমা অসি নল্লিবনে, অমদি চোইনৌ-য়ালনচাই (সনা-লুপা) পোকপা নুঙনে। মনাক্তা উতলু লোম্বা নাইদবা উপাল হৌরিবনে। চোইনৌ খোংনাং অমসুং হেরিবনে। মনাক্তা লাইকোন অমা লৈবনে। ঈশিং থোকপনে। লোম্বা নাইদবা উপালদি মচুম তাবনে, মশা লোঙবনে, মনা তরেৎ পানবনে। মনাক্তা নুঙ অঙৌবা অমা, অঙাঙবা অমা থারিবনে। অঙৌবদি সলাইলেনগী খুমনে। শামু অঙৌবা পোকপা নুঙনে। লাইমকনি। মমিংদি নোংদ্ৰেংখোম্বা কৌএ। অঙাঙবা নুঙদি থোংনাং নিংথৌগী খুবমনে। নোংশা পোকপা নুঙনে। মনাক্তা নুঙ লৈবদো, মচু তরেৎ শুনা লৈবনে। নুঙদি চোইনৌ-য়ালনচাই- কোরী- শেন- তম্ফম (হি-য়াই),পিগ্ৰাই অসি খৈবিক পোকপা নুঙনে। মমিংদি লৈহিংনু চাশৌবী কৌএ। নুঙ অদুগী মমিংদি তেক্কী লৈহিং চি কৌএ। নুঙ অঙাঙবা অদুগী মমিংদি অসিনে খঙও।

## ত্ৰোংলাওবীগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং চৈরাক পীগদবনি

**ইম্ফাল এপ্রিল ১১(ৱায়েল কাতি)ঃ** কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্ৰিক্টকী ত্ৰোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোমগী এটেক চখ্থদুনা চহী নৌরিবা অঙাং অনী শিখিবগী থৌদোক অদুবু ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু) সেন্ত্ৰেল কম্মিটিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম থোইবানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অঙাং অনী শিহনখিবগা লোয়ননা মখোয়বু পোকপী মমা ফিভম থীনা শোক্তুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম পূম্নমক অৱাবগী ইপাক্তা ঈরাক্লহল্লে। অসিগুম্বা মীওইবনা চৎকদবা লিচৎ নত্তবা থৌওং চখ্থদুনা মরাল লৈজদবা মীচম হাৎলগা ঈং তপ্পা ফিভম কায়হন্নবা হোৎনরিবসি অথুবা মতমদা লৈঙাক্না থিগৎতুনা চেন্নরিবা মীওই পূম্নমক চৈরাক ফংহনগদবনি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামদা সি আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিন্দুনা মীওই ৩ হাৎখিবা অমদি অতোপ্পা মীওই ১০ অশোক-অপন নংহনখিবগী থৌওং অদুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মীচম মীয়ামদা সি আর পি এফনা ৱাখল য়াওদবা মওংদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌওং অদু মীওইবা খূন্নাইনা খ্বাইদগী অকনবা কন্দেম তৌফম থোকই। মরী লৈনবা ওথোরিতিনা ঈরাং লাকশিনবা ঙমদবা অমসুং মীয়ামদা অকি-তুজুংবা পোকহল্লিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা ঙমদবনা মীচম মীয়ামগী পূন্সি খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা লৈহল্লে। লৈঙাক্না অথুবা মতমদা ত্ৰোংলাওবী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা লৌখৎকন্দবনি হায়না আমসুগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

### মপাল্লমগী পাউ

## ইস্লামাবাদতা য়ু এস ১সুং ইরান ৱারী শান্নবা হৌখ্রে

**ইস্লামাবাদ এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চয়োল ৬ রোম অকনবা মওংদা লান শোক্লদুনা মালেমগী ইনর্জি মার্কেটতা অচৌবা চৈথেং অমা ফংহন্দুনা লাকখ্ৰবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরান্না ইস্লামাবাদতা চয়োল অনীগী ওইবা সিজফয়ার লাউথোক্লখ্ৰবা মতুংদা য়ু এস অমসুং ইরান্না হকথেংননা ৱারী শান্নরগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। পাকিস্তানগী প্ৰাইম মিনিষ্টর সেহবাস সরিফনা চেবাউ পীরকপগী মতুং ইন্না য়ু এস অমসুং ইরানগী মীহুৎ কাঙবুশিং ইস্লামাবাদতা থুংলখি অমসুং ঙসি অয়ূক্তগী ৱারী শান্নবা হৌখি। ইরানগী মীহুৎ কাঙবু অদু ঙরাং নুমিদাং থুংলখিবনি। য়ু এসকী মীহুৎ কাঙবু অদুনা ঙসি অয়ুক থুংলখি। নাকল অনীগী মীহুৎশিং ইস্লামাবাদকী মফম অমদা উন্নদুনা ৱেষ্ট এসিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসি লোইশিনহন্নবা ৱারী শান্নখি। চপ চাবা মফম খঙবা ঙমদ্ৰবসু রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্নদি ইস্লামাবাদতা লৈবা সেরেনা হোটেলদা লৈবাক অনীগী মীহুৎশিং উন্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। য়ু এসকী মীহুৎ কাঙবু অদু ভাইস প্ৰসিদেন্ট জে দি ভেন্সনা লূচিংখি। অতৈ মীওইশিংদি স্পেসিয়েল ইনভোই ষ্টিপৱিটকোফ অমসুং জেৱেদ কুস্নরনি। ইরানগী মীহুৎ কাঙবুশিং অদুনা ফোরেইন মিনিষ্টর অবাস অরাগচি, পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর মুহমদন বগরঘালিবাফনি।

## উট্টর প্ৰদেশকী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজনদা ভোটর লাক্ষ ৮৪ হেঙ্গৎলেঃ ইলেক্সন কম্মিসন

**লখনৌ এপ্রিল ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** উট্টর প্ৰদেশতা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন পাঙথোকপা লোইখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন্না ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল লাউথোকখ্ৰে। ষ্টেট অসিগী অপূনবা ভোটর মশিং চাওরাক্লা ক্ৰোর ১৩.৩৯ রোম ওইবগা লোয়ননা অনৌবা ভোটর মশিং লাক্ষ ৮৪ হেঙ্গৎলে। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মাঙওইননা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। পাউগী মীফম অমদা ষ্টেটকী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার নবদিপ রিনৱানা হায়খি, মনুং মপান ফাওনা উবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন পাঙথোকখিবনি। নৌনা হেঙ্গৎলবা ভোটর ৮৪,২৮,৭৬৭কী মনুংদা নুপী ভোটর ৪২,০০,৭৭৮ অমসুং নুপা ভোটর ৪২,২৭,৯০২ য়াওরি। ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী অপূনবা ভোটর মশিং ক্ৰোর ১৩.৩৯ য়ৌরে। মসিগী মনুংদা নুপা ৭,৩০,৭১,০৬১ অমসুং নুপী ৬,০৯,০৯,৫২৫ য়াওরি। থার্দ জেন্দর মশিংনা ৪,২০৬ নি হায়রি।


THE RIDJ EDUCATION FOR ALL

REGD.No. IE/2532(CE) OF 2020

ADMISSION OPENS FOR CLASSES V-XII

BOARDING FACILITIES AVAILABLE

[ COMMENCEMENT OF CLASSES FOR CLASSES 11 AND 12: 20th APRIL MONDAY 2026 ]

RESULT AT THE GLANCE FOR THE HSLC EXAMINATION, 2024-25

BATCH: 1. NO. OF APPEARED STUDENTS - 78 PASSED %: 100%

2. NO. OF STUDENTS PASSED OUT IN FIRST DIVISION: 78


FOR DETAILS PLEASE CONTACT: 7005881627

ADDRESS: KONGBA UCHEKON MATHAK

NEAR SUN LIGHT LIBRARY CLUB


# WAYEL CROSSWORD

*Crossword-256*




**ACROSS**

1 Barrier (8)
4 Complete mess (8)
9 Balanced (5)
10 Thin porridge (5)
11 Home of the Sphinx (5)
12 Forbidden (7)
13 Animal related to the giraffe (5)
15 Medicinal cream (5)
17 Energetic, driven (7)
20 Arctic dweller (6)
21 With hands on hips (6)
23 Telepathic (7)
28 Professional witness (6)
29 Blue dye from the anil plant (6)
30 Cunningly (5)
31 Posted (6)
33 Indian peace advocate (6)
35 Add to (7)
38 Woe (6)
40 Produces offspring (6)
42 March 25th (4,3)
45 Top of a hill (5)
47 Stem (5)
49 Conceal (5,2)
50 Medical photos (1-4)
51 Cove (5)
52 Australian marsupial (5)
53 Writer (8)
54 Sticky (8)

**DOWN**

1 Cook for too long (6)
2 Group morale (4,6)
3 Lawfulness (8)
5 Finland's capital (8)
6 Recommence (5,5)
7 Piece of furniture (6)
8 Clammy (5)
14 Peck on the cheek, eg (4)
16 Action word (4)
17 One of the Seven Dwarfs (5)
18 Curve (3)
19 Spiny plants (5)
20 Study of business and money (9)
22 Repugnant, odious (9)
24 Shouting (7)
25 Direct phone link (7)
26 Wood colouring (5)
27 Discoveries (5)
32 Speak slowly (5)
33 Cope (3,2)
34 Cave dweller (10)
36 Spring month (3)
37 Small peas (6,4)
39 Unlock (4)
41 Pickling herb (4)
43 Form of exercise (8)
44 Altered, modified (8)
45 Factory hooter (6)
46 Type of dessert (5)
48 Martial art (6)



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 8 | 6 | 3 | 2 | 1 | 5 | 7 |
| 6 | 3 | 7 | 9 | 1 | 5 | 2 | 4 | 8 |
| 5 | 2 | 1 | 4 | 7 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 3 | 1 | 5 | 7 | 8 | 6 | 9 | 2 | 4 |
| 2 | 7 | 9 | 1 | 5 | 4 | 8 | 6 | 3 |
| 8 | 4 | 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 1 | 5 |
| 9 | 8 | 3 | 2 | 4 | 1 | 5 | 7 | 6 |
| 7 | 5 | 2 | 8 | 6 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 1 | 6 | 4 | 5 | 9 | 7 | 3 | 8 | 2 |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733